থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

## থাগী ইকায়বা নংলবা খোঙচৎ



কুমজা ১৯৬৯, জুলাই ২০ অমেরিকাগী এপোলো, ১১শুবা মিসন মালেমদগী থাগী লৈবাক তম্না চৎপা মীওইবগী খোঙচৎ অদুগী মীৎনা উবা পাউদম, রেদিওগী খূত্থাংদা ঐখোয়বু তাহন্নবা ওজাশিংনা স্কুলগী ভেরেন্দা'দা অচৌবা রেদিও অমা থিল্লগা, নুমিত্তুগী ক্লাস'কা পূমলেপ লেপ্লগা মহৈরোয় ময়াম্বু পুমকোয় কোয়না ফমহল্লগা তাহনখিবা, ঐখোয় পূম্নমক চেক-মোক লাউদনা ফমখিবদু - ঙসি নীংশিংদুনা ইচাশিংদা লীরুবদা, আ মথায় থায়না থোকখিবা, ফুঙ্গা ৱারী অমগুম তায়। মতমসি কয়া থুনা হোংলকখ্রবা! ঙরাংতা থোকখিবা থৌদোক অমগুল্লি - আর্মষ্ট্রোং'না থাগী লৈমায়দা খোঙদাখিবা অহানবা থৱায় পানবা ওইখি। মিনট ১৯গী তুংদা 'এলদ্রিন'সু লৈমায়দুদা কূমথখিবা। পুং ২১ রোম থাগী লৈমায়দুদা কোয়চৎ চৎ-য়েংলম্লগা অমেরিকাগী ফিরাল য়ুংলম্লগা থাগী লৈবাক-লৈশা কিলো ২১.৫ খোমজিল্লগা পুদুনা মাইকেল কোল্লিন'না থৌদুনা থাগী অকোয়বদুদা উংলিবা স্পেস-ক্রাফ্ট অদুদা অমুক মখোয়গী মোদুল অদু পাইশিন্দুনা পূল্লপ মালেমদা অমুক হল্লকখিবগী মায় পাক্লবা খোঙচৎ অদু ঙসি ফাওবা কাউনদ্রি। চহী য়াঙ্খেগী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অদু অমেরিকাগী ওইনদি মতম অমগী মল্লবা ৱারী অমনি।

নীংশিংবগী লমায়দগী মূখৎলুরবা মীকূপশিংদু নহান, সেপ্টেম্বর ৬, ২০১৯গী অহিং নোংয়াইদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা লোয়ননা, ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী ক্লাস আইট'তগী টেন ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তগী ওন-লাইন কুইজ-কম্পিটিসন্দগী খনগৎলকপা মহৈরোয় হুম্ফু খক্কা লোয়ননা ফম্মিন্নদুনা, মঙলানগী মশক ওইরবা ইন্দিয়াগী অনীশুবা থা-তম্না চৎপা, মী য়াওদবা মিসন (চন্দ্রায়ন-২) গী অহিংবা-শক্তম-ইরোইনবা-পাউদম (লাইফ টেলিকাষ্ট) য়েংমিন্নবগী প্রোগ্রামদুদা মণিপুরদগীসু অঙাং অমা, জৱাহর নবোদয়া-বিদ্যালয়, য়ারলপাৎকী ক্লাস নাইনগী মহৈরোয়, ৱাহেংবম দেবানন্দ য়াওগনি তাখিবদুদা নীংশিংলকখিবনি। নোংঙানবগা তারকখি - চন্দ্রায়ন-২গী থাগী লৈমায়দা তাগদবা (লেন্দর) 'বিক্রম' লৈমায়দু য়ৌগদবা শুপ্নগী কিলোমিটর ২.১ খক্তা ঙায়রবকান্দা মালেমগা (ইসরো ওফিস'কা) পাউ ফাওনখিদ্রে। মমীং চৎল-চৎলবা, অফাওবা মালেমগী সেলেব্রিটি অমদি জর্নেলিষ্ট কয়ানা য়েংলিবা লাইব-টেলিকাষ্ট অদুনা লোইশিল্লকপদা ফ্লোপ-সো অমা ওইরকপদুদা মোমোন্নবা মায়থোঙ লিশীং লিশীদু তপ্না তপ্না মকশিল্লকখি।

এপোলো-১১না থাগী লৈমায়দা অহানবা তাখিবদা উফুলনা পূমকুপ কূপশিনখিবদুদা, 'লৈনুংদা ফুমখ্রবোই নীংলুই' হায়না আর্মষ্ট্রোংনা হায়খিবদু নীংশিংলগা, আই এস আর ও (ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন, ইসরো) গী সাইন্টিষ্ট, ডাক্তর কে সিবন'না, জুলাই ১৩দা টিরুমালা (টিরুপতি) গী লাইশঙদা লাই খুরুম্বা লাকপদা মাঙজৌননা হায়খিবদু... 'থাগী লৈমায়দা শাফু কন্না য়ৈদনা, তপ্না (সোফ্ট ওইনা) তাহনবা/লেন্দিং তৌহনবা হায়বসি অরায়বা থবক অমদি নত্তে, য়াম্না কমপ্লেক্স ওইবা থৌওংনি ... তারমদাইগী মিনট তরামঙামুক অদুদি অকিবগী মশক ওইদৌরিবনি'...। লাক্কদৌরিবা খুদোংথীবা অসি মহাক মাঙজৌননা খঙখিবরা?

ইরাই নুমিৎকী নোংয়াই মতুং, থাংজগী পুংফম চঙশিল্লকপা পুং ১.৫০ চৎলকপা, বিক্রম সারাভাইগী মিং লৌরগা থোনখিবা বিক্রম-লেন্দর'না থাগী লৈমায়দা য়ুংনা হাইথরকপা মীকূপ্তুদা, 'ডাক্তর সিবন' মোদিগা থংননা ফম্মিন্নরম্লগা ফম্লমদবদুদা প্রেসমেনশিংদি খঙখি- করিগুম্বা, শোয়হন্নীংদবা/শোয়ফম থোক্তবা অশোয়বা অমা থোক্লে। মোদিগী মায়থোঙ মকশিল্লকখি, মোমোন মীনোক মাঙখরে। মিনট তরাগী তুং 'সিবন' অমুক চঙশিল্লক্লগা মোদি'দা করিগুম্বা খরা হায়রখি। ওফিসল ওইনা করিমত্তা লাউথোকখিদে। হায়ফম খঙদবা ওইরম্লি। মিনট ১৫ লৈরগা 'ডাক্তর সিবন'না, লোৎশিনবা ঙমদ্রবা টেন্সন অদুনা তনিকহল্লবা খোঞ্জেলদা লাউথোরকখি ... 'বিক্রম-লেন্দর, থাগী লৈমায় থেংগদবা কিলোমিটর ২.১ খক্তং ঙায়রবা মতমদু ফাওবদা ঐখোয়না প্লান তৌখিবদুমক করিমত্তা কায়দনা মথৌ পাঙথোক্লম্মী... অদুবু খঙহৌদনা, লেন্দর'দুগা মফমসিদা লৈরিবা ষ্টেসন অসিগা পাউ ফাওনখিদরে ... কদায়দা করি অশোয়বা লৈবদগীনো থিজিনখিগনি'...।

রসিয়া, অমেরিকা অমদি চাইনাগী মথংদা থাগী লৈমায়দা মালেমগা পাউ ফাওনবা ষ্টেসন থম্বা ঙম্বা মরিশুবা লৈবাক অমা ওইরগনি চাউথোকচরুবা, মালেমগী লৈবাক অতৈগী মাঙদা ইকায় ফিরুক খুম্বসিদা মরাল লৈরবা অমগুম মমায় থাঙ্গৎপা ঙমদ্রবা সাইন্টিষ্টশিংদুবু পূক্নিং থৌগৎপা ৱাঙাঙ অমদি থৌনা পীরিবা মোদিগী ফোটোগা লোয়ননা পাউ, পাউচেশিংদা লেপ্তুনা ফোঙনরক্লি। চহী য়াঙ্খেগী মমাঙদা অমেরিকা-রসিয়ানা হিদান্নবগুম চৎলম্বা থাগী খোঙচৎ, মখা তানা চৎখিদ্রবা খোঙচত্তু ঙসিতা নৌনা চৎকে হোৎনরুবা, মায়থীবা নংবসিদা অমেরিকানশিংনা চিনবান লান্দনা নোক্নমগদবা করেম্না মীনোক অদু উরুরি অহুমশুবা মীৎ অমনা।

'ডাক্তর সিবন'না লুচিংবা সাইন্টিষ্ট টিম অদুদা ঐহাক য়াওরম্বা থোক্লম্বা, ঐদি শোয়দনা হায়রমগনি ... 'সার মোদি! মীতম অমখক শাবদা লুপা ক্রোর ৩০০০ তিংথোকপা ঙল্লগা, থাবু খুদুম চনবা চৎপা খোঙচৎ অমগীদমক লুপা ক্রোর ৯০০ ... কৈসু ইকায়নীংঙাই লৈতেদো। ... অদুবু, অতোপ্পা মিসন অমা অমুক চৎলমদাইদদি মুন্না অমুক্তা ৱাখল তৌবিহৌ...।

লৌশিং পুক্কে

## খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা স্কিন কেন্সর মেলানোমা মায়োক্লবা ঙমগদবা ওইন্টমেন্ট




খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা স্কিন কেন্সর মখল অমা ওইরিবা মেলানোমা মায়োক্লবা ঙমগদবা ওইন্টমেন্ট অমা চিলিগী সাইন্টিষ্টশিংনা শেমগৎলে। সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অসিদা ফংবা পান্বী মখল অমা শীজিন্নরগা য়ুনিভর্সিটি লপ সেন্টিয়াগোগী কেমিষ্ট্রি অমসুং বাইওলোজি ফেকল্টিগী রিছার্চ টিম অমনা স্কিন কেন্সর ঙাকথোক্লবা ক্রিম অদু শেমগৎপনি।

রিছার্চ টিম অদুবু লুচিংখিবা সোফিয়া মিচেলসন অমদি ক্লোদিও এ ক্যনা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না চাংয়েং তৌবগী অহানবা তাঙ্কক্তা লৈরিবা ক্রিম অদু শা মখল খরদা তৈরগা য়েংবদা ইফেক্টিভ ওইবগী খুদম ফংলে হায়রি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট মতুংইন্না চহী খুদিংগী মালেমদা মেলানোমাগী অনৌবা কেস লাখ ৩০ রোম থেংনৈ হায়রি। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা স্কিন কেন্সর মখল অসি ঙাকথোক্লবগী মতাংদা চিলিগী রিছার্চর টিম অদুনা মতিক চাবা পান্বে অমা পুথোক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

রিছার্চরশিংনা হায়খি, অৱাংথংবা চিলিগী কোকুইম্বো অমসুং খাথংবা চিলিগী বাইওবিওদা ফংবা পান্বী মখল অমদগী লৌথোকপা মচল য়াওরবা ওইন্টমেন্ট অদু নুমীৎ হুম্নী খুদিংগী অমুরক তৈগদবনি। অহানবদা রিছার্চরশিংনা শা মখল খরদা ওইন্টমেন্ট অদু তৈদুনা চাংয়েং তৌরম্মী। মদুদা ট্যুমর সেলশিং মশীং হেনগৎহন্দে হায়বা খঙলকখি। মতৌ অসুম্না শাশিংগী পুন্সি শাংদোকহনবা ঙম্লম্মী।

থৌরাং অসিগী কান্নবা অমনা শেল ইচঙ চঙদবগী মতাংদনি। কেন্সর মায়োক্লনবা হীদাক কয়া হান্নদগী পুথোক্লরকপা লৈখ্রে। অদুবু মমল কা-হেন্ন তাঙবা মরম্না ইচম চম্বা মীওইশিংনা শীজিন্নবা ঙম্বগী ফীভম লৈত্রি। নৌনা শেমগৎলিবা ক্রিম অসি ইহোঙ-হোঙবা মরম্না লায়রবা মীওইশিংনসু শীজিন্নবা ঙমগনি হায়রি।

অমরোমদা, কিং'স কোলেজ লন্দনগী রিছার্চরশিংনা হায়খ্রে মদুদি য়েৎথংবা পাম্বোমদা শম্বু ১১ হেন্না থুংবগা লোয়ননা হকচাংদা শম্বু ১০০ হেন্না থুংবা মীওইশিং স্কিন কেন্সর মায়োক্লরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। য়েৎথংবা পাম্বোমদা শম্বু থুংবনা কেন্সরগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা ইঙ্গিৎনি হায়না পল্লদুনা কিং'স কোলেজ লন্দনগী রিছার্চর সিমন রিবেরোনা হায়খি, য়েৎথংবা পাম্বোমদা শম্বু মাপন হেন্না থুংবা নুপী খুদিংমক হকচাংগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা শম্বু ৫০ হেন্না থুংলম্বা য়াবগী রিস্ক মায়োক্লে। য়েৎথংবা পাম্বোমদা শম্বু ১১ হেন্না থুংলগনা হকচাংদা পুন্না শম্বু ১০০ হেন্না থুংলম্বা য়াবগী রিস্ক মায়োক্লে। হায়রিবা মীওইশিং অসি মেলানোমাগী রিস্ক ৱাংবা কাঙবুনি।

মতৌ অসুম্না য়েৎথংবা পাম্বোমদা শম্বু কয়া য়াম্না থুংবগে হায়বদু খঙদোক্লগা হকচাংদা পুন্না শম্বু কয়ামুক থুংলমগদগে হায়বদু চাউরাকপা অমা খঙবা ঙমগনি হায়রি। শম্বু মশীং খঙলগা স্কিন কেন্সরগী চাউরাকপা রিস্ক খঙবা ঙম্মী হায়না পল্লদুনা রিছার্চরশিংনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমগী হকচাংদা পুন্না শম্বু কয়া য়াম্না থুংবগে হায়বদু খঙদোকপা হায়বসি অৱাবা অমনি। মরম অদুনা য়েৎথংবা পাম্বোমদা শম্বু কয়াম থুংবগে হায়বদু খঙদোক্লবদি হিরম অসিগীমতাংদা চাউরাকপা অমা খঙবা ঙমগনি।

রিছার্চরশিংনা কুমজা ১৯৯৫ দগী কুমজা ২০০৩ ফাওবা মীওই ৩৫৯৪ দা থিজিল্লবা মতুংদা ৱাফম অসি খঙবা ঙল্লকখিবনি।

মরকসিদা স্বিদেনগী রিছার্চর কাঙবু অমনা হায়খ্রে মদুদি কেন্সর নারবা মীওইশিংনা এন্টিওক্সিদেন্ট চাবা তারবদি হকচাংগী অতৈ অতোপ্পা মফমদা খোঙজেল য়াঙনা কেন্সর শন্দোকখি। ন্যুট্রিসনেল সপ্লিমেন্ট অয়াম্বদা য়াওবা এন্টি ওক্সিদেন্টনা কেন্সর ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না ক্লেম তৌনরি। অদুবু কেন্সর পেসেন্টশিংনা এন্টিওক্সিদেন্ট চারবদি খোঙজেল য়াঙনা হকচাংগী অতৈ অতোপ্পা মফমদসু কেন্সর শন্দোকখিবগী খুদম ফংলে।

এন্টিওক্সিদেন্টনা মশা-মউ ফবা সেলশিং ঙাক শেন্দুনা থম্বগুম কেন্সর সেলশিংসু ঙাক শেল্লি হায়রি। সাইন্টিষ্টশিংনা উচি খরদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা থৌওং অসি খঙলকখিবনি। মীওইবগী লংস কেন্সর সেলশিংদা চাংয়েং তৌবদা ৱাফম অসি কনফার্ম তৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, ন্যুয়োর্ক য়ুনিভর্সিটিগী সাইন্টিষ্ট কাঙবু অমনা স্কিন কেন্সর দিটেক্ট তৌবা ঙম্বা ব্লদ টেষ্ট মখল অমা থেংনরে। য়ুনিভর্সিটি অসিগী রিছার্চর দেবিদ পোলস্কিনা হায়খি, মেটাষ্টেটিক মেলানোমা খঙদোক্লবগী মতাংদা অনৌবা ব্লদ টেষ্ট মখল অমা থেংনরে। ঈদা য়াওবা অশিবা কেন্সর সেলশিংগী মচেৎ তারবা দি এন এ য়েংলগা কেন্সরনা কদায় ফাওবা হকচাংগী অতৈ মফমদা শন্দোকখ্রবগে হায়বদু খঙবা ঙল্লে।

মেটাষ্টেটিক মেলানোমা পেসেন্ট ৩১ দা চাংয়েং চখবদা থৌওং অসি খঙলকপনি। ইম্যুনোথেরাপি, টার্গেটেদ মোলিক্যুলর থেরাপি, সর্জরি অমসুং রেদিয়েসন থেরাপিগী মতেংনা লায়েংলিবা মেটাষ্টেটিক মেলানোমা হায়রিবা লায়না অসি করিগুম্বা মতমদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরকপদগী লায়েংবা ঙমদে। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি মোলিক্যুলর ওনকোলোজি জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকপনি।

## ঙা য়োকপগী মতাংদা নুমীৎ হুম্নী চখগদবা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ফিশ ফার্ম মেনেজমেন্ট এন্দ দিফরেন্ট টাইপ ওফ ফ্রেশ ৱাটর ফিশ কলচর সিষ্টেম হায়বা হিরমদা নুমীৎ হুম্নী চখগদবা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমা ঙসি দি আর দি এ হোল দি সী কমপ্লেক্স চান্দেলদা এদিসনল চীফ সেক্রেটরি আর দি এন্দ পি আর, এম ঐচ খাননা হৌদোকখ্রে।

স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এদিসনল চীফ সেক্রেটরি এম ঐচ খাননা হায়খি, মণিপুরদা ঙাগী তঙাইফদবা চাং অসি মেট্রিক টন ৫২,০০০ নি। অদুবু ষ্টেট অসিদা পুথোক্লিবা ঙাগী পোথোক্কী চাং অসি শুপ্নগী মেট্রিক টন ৩২,০০০ নি। ঙাগী পোথোক্কী অৱাৎপা কয়া লৈবনা মপান ষ্টেট কয়াদগী লৈরগা ষ্টেট অসিদা পুশিল্লক্লি। মসিনা ষ্টেট অসিদগী য়াম্লবা শেনফম মপান লমদা চৎলি। ঙাগী পোথোক্কী তঙাইফদবা চাং অসি পুথোক্লবগীদমক হোৎনমিন্নবা চঙই। আই সী এ আরগী মতেংগা লোয়ননা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকা লোয়ননা হিরম অসিগী মতাংদা থৌরাং পায়খৎনবা হোৎনবগী মনুং চন্না ট্রেনিং অসিসু পাঙথোকপনি।

ঙাগী মচিঞ্জাক ইম্ফালদা পুথোকপা হৌরে। ঙা মচিঞ্জাক অসি কেজিদা লুপা ৪৫ দা ফংলগনি। লোন ফেসিলিটি কয়াসু লৈরি। থৱায় য়াওবা ঙামীশিংনা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংগী খুথাংদগী লোন লৌবগী খুদোংচাবা কয়াসু লৈগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা দি সী চান্দেল কৃষ্ণকুমারনা হায়খি, মিসন সেল্ফ সফিসিএন্ট ২০২০ গী শরুক অমা ওইনা অসিগুম্বা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। ঙা য়োকপগী লমদা নীংথিনা খঙমিন্নবা চঙই। চান্দেল দিষ্ট্রিক্তা লম অসিদা থবক কয়া পায়খৎপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ফিশরি দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর বিদ্যারানি অয়েকপমনা হায়খি, লৌমীশিংগী ইনকম দবল হেনগৎহন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা অসিগুম্বা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঙাগী পুখ্রি নৌনা শেম্নবা থবক পায়খৎপদা চাদা ৪০ গী সবসিদি পীনবগী থৌরাং তৌদুনা লৈ। ঙা য়োকপগী মতাংদা নীংথিনা ট্রেনিং তৌদুনা হিরম অসিদা খঙবা চঙই। ঙাগী পোথোক হেন্না পুথোক্লবগীদমক কেপাসিটি বিল্ডিং য়াম্না মরুওই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী খনগৎলবা ঙামী ৫০ রোম্না শরুক য়াখি। দিষ্ট্রিক্ত লেভেল ওফিসর কয়াসু শরুক য়াখি।

## অসামগী মীতৈ তাবা খুল কয়াদা মীতৈ ময়েক তম্বগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোন অপূনবা লূপ (মীলাল) গী থৌমী মঙানা অসামগী মীতৈ তাবা খুলশিংদা মখা তানা ময়েক তম্বীবগী থৌরম বোনতরাপুর কছার, অসামদা হৌদোকখ্রে।

মীলালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ও কৈনাহনবীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুদা এম বাবাতোন, রিটয়ার্দ প্রোফেসর জনতা কোলেজ, ঐচ বিমোল, এন নয়োনচান্দ, য়াংলেম বিরেন, লুচিংপুরেল মীলালনা থৌরম মপু ওইদুনা হৌদোকখি। মীলাল ময়াই লোয়শঙদগী লেম্না মপী লাইরিকসু মহৈরোয়শিংদা য়েন্থোকখি। মখা তানা ৱাঙাংলোয়শিংনা মীলালনা লোল ময়েক তম্বীবা লাকপসি পূক্নিং নুংশিবা অমনি হায়বা ৱাফম থম্লখি। ঐগী ঐগী ইরোল অসি মীপুম তীংনা হৈমিন্নবা মথৌ তাই। তাম্না লৈরবসু ইমা লোল তম্বা ফংবসি পোকপগী মহৈ য়াল্লে হায়না ৱাঙাংলোয়শিংনা ফোঙদোকখি। অসাম বোনতরাপুরদা মসা লোয়শঙ অমসু হাংদোকখ্রে।

মীলাল কংলৈপাক অমদি দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন অনীনা চহী খুদিংগী মফম কয়াদা মীতৈ ময়েক ইবা পাবা হৈতবশিং হৈহন্নবগীদমক লেম্না মীতৈ ময়েক তম্বীবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ৩ দগী মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ত অমা ওইরিবা জিরিবামগী মফম কয়াদসু পাঙথোকখ্রে হায়নসু মখা তারি।

## আয়ুশ ফ্রি হেল্থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): দিরেক্টোরেট ওফ আয়ুশ লম্ফেলপাৎকী লমজিং মখাদা রোংদাই ভিলেজ ওথোরিটিনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা আয়ুশ ফ্রি হেল্থ কেম্প অমা ঙসি নোনে দিষ্ট্রিক্তকী রোংদাই বেপ্টিষ্ট চর্চ কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

হেল্থ কেম্প অদুদা দিষ্ট্রিক্ত হোস্পিটাল তমেংলোংগী এম ও ইন-চার্জ (ঐচ ও এম) ডা. তাইতস গাংমৈনা লুচিংবা ডোক্তর ৬ অমদি ষ্টাফ ৭ না শরুক য়াখি। ডা. তাইতসনা হায়খিবদা, হেল্থ কেম্প অসি দিরেক্টোরেট ওফ আয়ুশ পব্লিক হেল্থ আউটরিচ এক্টিভিটিগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি। খুল অসিগী নুপী-নুপা অমদি অহল, অঙাংশিংদা লৈবা লায়না কয়া লায়েংখি। অল্ট্রা সাউন্দ, ঈ সী জিনচিংবসু য়েংখি। ঈ টেষ্টসু লেম্না তৌখি। আয়ুশকী ডোক্তর অমদি ষ্টাফশিংবু থাগৎনখি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১১।০৯।২০১৯ ইং, য়ুমশকৈশা, লাংবনগী ১৩ নি পানবা।

মেষ : ইমুং-মনুংদা অনা-অয়েক্লা য়েৎপা অমদি কাইনবা নংবা, হকচাংসু নুংঙাইবা ৱাৎপা নুমিৎনি। মরুপ-মপাংগী মতেংনা থবক পাংগনি, শেল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ : থৌনা ফুদোকপা মতাং চারোই অমদি লন কাইবা য়াবা লাক্কনি-পোরম য়াৎপা হৈবা অমদি ৱাঙাঙবা হৈবা ফগনি। পূক্নিং ফাথদ্রদি নথক থোংবগা মুক্লনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিথুন : হকচাং নুংঙাইতবা লৈরম্লসু ফরনি, মরুপ-মপাং লোয়নবা অমদি মখোয়গী মতেং লৌবা কান্নগনি। নিংথিনা খন্থরগা পাংবা থবক মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবদা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

কর্কট : নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা অমদি অনৌবা পোরম য়াৎপা য়াবা নুমিৎনি। অরাপ্পা মীগী মতেংদি পন্দুনা লৈখিনি, লম চৎপা কান্নবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : অশাওবনা পোত্থাফম খঙহন্দবা অমদি হকচাংসু ইনুং-নুংঙাইতবা ঙসিসু লৈগনি। অদুবু নীংবা মপা চাবা, শেল-থুমদা কান্নবদি লৈগনি। মীচং লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : ৱা য়াম্না ঙাঙগনু, অরং-অরাকসু চেকশিন্দবা তৌগনু, হন্থবা অমদি য়েক্লবনা য়েংশিনবা লৈ। থিবা-হুম্বা কনবা অমদি য়েৎনগদবদা য়াওদবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

তুলা : হোয়া ফবা য়াদে, নথক থোংবগা ৱাখল তামিন্নরোই অমদি চিন য়াংদবা ফৈ। থবক্কী লম্‌দা মরুপ-মপাংগা মরী ফরোই। অচুম্বনা কান্নবা পিবিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - কাইনবা নংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃশ্চিক : শেল ফংবা য়াবা, মীয়ামগা মরী ফগৎপা অমদি ইচং থৌবনা থবক পাংবা নুমিৎনি। মহু চাউবনদি তাথিবা লৈখিনি। ওইজবা থিবদা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : ইমুং-মনুং ৱা তানবা কান্নগনি, অরিবা থবক পাংগনি, ঙাঙবা শাকপদা মায় পাক্কনি। থৌনা লিংজেল ফুদোকপা য়াগনি। নীংবা মপামক্তি চারোই-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর : নক্লবনা তেংবাংবীবা, লৌশিংগী মতেংনা কান্নবা ফংজবা লৈগনি। অনা-অয়েক্লদি য়েৎপা, নথক থোংবনা ৱারৌবা লৈগনি। লল্লোন ইতিক কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - কান্নবা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

কুম্বা : মরুপ-মপাং অমদি লাই-গুরুনা চানবীবা নুমিৎনি। মরৌ চাউবা মীনদি তাথি, লৌশিং ৱাৎপনা কাইনবা য়াবসু লৈ, চিন য়াংগনু। মীয়াম্না য়ানবা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : নক্লবশিংগা মরী ফবা ৱাৎকনি, মীয়াম্না চানবীনবা ইথক-ঈরাংদা তাওগনু। শেল-থুমগী থবক কান্নগনি অমদি নচা ননাই চাওখৎকনি, লল্লোনবা কান্ননি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীগী পূক্নিং খঙবীয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## ট্রাইবেল এফ্যেরসতা জোইন্ট দিরেক্টর হাপ্পগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ট্রাইবেল এফ্যেরস এন্দ হিলস দিরেক্টোরেটতা নন-ট্রাইবেল অমদি জুনিয়র মোষ্ট ওফিসর অমবু জোইন্ট দিরেক্টর ওইনা এপোইন্ট তৌরকপদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি হায়না সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দিপার্টমেন্ট অসিদা জুনিয়র মোষ্ট ওফিসর অমবু দেপ্যুটি দিরেক্টর অমা ওইনা করম্না হাপ্লিবনো হায়বা ৱাহং লাক্লি। অসিগুম্বা এনোমেলি অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মোটিভ করিনো। ট্রেদিসনেল প্রেক্টিস অমা ওইনা দিপার্টমেন্ট অসিগী ঐচ ও দি অসি ট্রাইবেল ওফিসরনা ওইদুনা লাকখিবনি। চীংদা লৈরিবা ট্রাইবেল দিষ্ট্রিক্টশিংগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক অসিগুম্বা মওং অসিদা লাকখিবনি। ষ্টেট লৈঙাক্লা হিরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙদ্রবদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন্না তুমীন্না লৈরোই। সিনিয়র মোষ্ট ওফিসর অমবু জোইন্ট দিরেক্টর ওইনা খনবগী মহুৎতা জুনিয়র অমবু খল্লিবা ষ্টেট লৈঙাক্কী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অসি রিভোক তৌগদবনি হায়নসু এস দি এস এগী চেরোল অদুনা মখা তারি।

## কাংপোকপীদা পোশন রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): নেসনল ন্যুট্রিসন মন্থকী শরুক অমা ওইনা মাস কেম্প্যেন পোশন রেল্লি অমা ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তা চৎখ্রে।

নেসেসিটি ওফ ন্যুট্রিসন ইন দে টু দে লাইফ হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা রেল্লি অদু আই সী দি এস সেল কাংপোকপী অমদি জেদ ঈ ও কাংপোকপীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি। রেল্লি অদু ৱিমেন মার্কেটতগী লমথারকখিবগা লোয়ননা জেদ ঈ ও ওফিস কমপ্লেক্স কাংপোকপীদা থুংখি। থৌরম অদুদা জেদ ঈ ও কাংপোকপী লিংনৈকিম কিপগেন অমদি সী দি পি ও, আই সী দি এস কাংপোকপী সী ঐচ বুধচন্দ্রসু শরুক য়াখি। দিষ্ট্রিক্ট অদুগী তোঙান তোঙানবা স্কুল কয়াদগী মহৈরোয় ১৩০০ রোম্না রেল্লি অদুদা শরুক য়াখি।

## খুরাই পুথিবা কম্যুনিটি হোলদা মাও কৈথেল ফমখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): খুরাই পুথিবা কম্যুনিটি হোলদা ঙসি মাও কৈথেল ফমদুনা মাওদা ফংবা তোঙান তোঙানবা মখলগী মনা-মশিং কয়া য়োনখ্রে।

মাও কৈথেল ফম্বগী মতাংদা মাও বিজিনেস য়ুনিয়ন ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট কপৈনিনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর মীয়াম্না মাও কৈথেল খঙবসি মীদিয়াননি। তম্পাক্তা লৈরিবা সী এস ওশিং, ক্লবশিংনা অচৌবা মতেং পাংবদগী মাও কৈথেল ফম্বা ঙম্লিবনি। মীদিয়ানসু অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মাও কৈথেল মায় পাক্লা চৎলি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা মফম চাবা অমা য়েংবীদুনা মাও কৈথেল শাবীয়ু। কুমজা ২০১৫ দগী মফম চাবা লৈতবদগী অৱাবা মায়োক্লরি। ইম্ফালদা লাকপদা মফম কয়া খঙদ্রিবা অসিনা চীংদগী লাকপশিংদি কয়া য়াম্না খঙগনি। পোৎ য়োনবা লোইদ্রবদি য়ুমদা অমুক পুগনি। পৎলগা মাঙবসু য়াওরি। শেন্দোং তানবদা শেল্লেপ মাঙবসু য়াওরি। অহিং হৌগৎলক্লগা লাক্লিবনি।

মফম অমা পীবা তারবদি শিৎত্রবসু লেক্লগা মফমদুদা নুমীদাং ফাওবা য়োনবা য়াই। মফম মফম হোংদুনা ফম্বা অসিনা মাওগী মীওইশিংদসু ইম্ফাল কদায়দা চৎকনি খঙদবনিনা সী এস ওশিংনা মফম শিনবীরগা চৎপনি। মাওগী পোথোক য়াম্না পুথোকপা মরম্না য়োন্দবদি য়াদে। পোৎ লৈবা লাকপা কনাগুম্বনা পোৎ তাঙই হায়বদা ঐখোয়সু নুংঙাইতে। চীংনুংদগী ভারা য়াম্না তীংলগা লাকপনিনা হোংবা ঙমদ্রে। লুপা ৫০০ খক্তমক লেম্বসু য়াওই। খ্বাইদগী ৱাবা বিজিনেস হায়রগদি ষ্ট্রিট ভেন্দর অসিসুনি। নোংমগী চরা তানবনি। পোৎ য়াম্না পুথোকপা মাও ওইবনা য়োনবনি। মসিগী লল্লোনবা মওং অসি ইমুং-মনুং পুবদা ৱাই। হান্নদি গাড়ী লাকপসি মণিপুর নম্বর নৎত্রবদি পুলিসনা ইম্ফালদা চঙহন্দে। হৌজিক্তিঙ মাও কৈথেলগীনি হায়রবদি পুলিসনসু ফ্রি ওইনা থাদোকপীরে। হান্নদি নাগালেন্দ নম্বর ওইবনা পুলিসনা তুংদা কোয়ইন ইন্নৈ। হৌজিক্তি পুলিসসু ৱাখল তারে। দিষ্টর্ব তৌদ্রে। মাও অসি নাগালেন্দগা নক্লে। নাগামিজ লোল খঙবা মরম্না চৎপদা ফ্রি ওই। মাওদা মণিপুরগী নম্বর থাবা গাড়ী মশিং য়াম্না লৈতে।

মখোয়সু মণিপুরী লোল থোক্তবনা পুলিসনা হংবদা পাউ ফাওনদবদগী অৱাবা ওইরম্মী। লম্বী ফৎতবগী পোৎ পুবীয়ু য়াদবা কয়া অমসু য়াওই। হৌজিক্তি য়াম্না ফরে। গাড়ীসু পুলিসনা হংবদা মাও কৈথেলগীনি হায়রবদি অদুম্মক চৎহল্লে। দ্রগ পুদে, গঞ্জা পুদে হায়বদা অদুম্মক পুলিসনা থিংবীদ্রে। চীফ মিনিষ্টরনা খুঙ্গং চৎসি, চীং চৎসি হায়রগা ষ্ট্রিট ভেন্দর মাওগী অৱাবদি উবীদ্রে। সী এমনা মাও কৈথেলসু মীনুংশি উৎতুনা শাবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।